## লাং থাবা চৎখিবা নুপা ১ শিরে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা তৌবুল মমাং লৈকায়দা ঙসি নুংথিল লাং থাবা চৎখিবা নুপা অমা লোক্তাক্তা তাখিবদগী শিনা ফঙলে হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং য়াংলেম বোরাজাও (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই মাইপাক কৌই। মহাক তৌবুল ৱার্দ নম্বর ৪ মমাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক তৌবুল মমাং লৈকায় খুল্লাকপদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়ুমদগী চৎখিবনি হায়রি। মহাক্লা লাং থাবা চৎপদা পাৎতা তাশিনখিবদগী মীয়াম চঙদুনা মহাকপু থিবদা অশিবা হকচাং ওইনা ফঙবনি হায়রি।

## জ্বারগী পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) না হাউসি অমদি জ্বার শান্নবা থা অসিগী ১ দগী তৌবীদনবা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা জ্বার মেলা অমদি হাউসি মরুশিং পুথোক্তুনা শান্নরম্বদগী ইপাক্কী ভল্যুনিটয়রশিংনা ফাগৎলগা ঙসি পাউমীশিংগা মমাঙদা পুথোক্তুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

## এৱার্দ পীগনি

*লামায় ১গী মখা...* থাবা মহৈরোয়শিংনা এৱার্দ লৌনবগীদমক মরী লৈনবা মার্ক সীটকা লোয়ননা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না একাদেমিক ইন্সেন্টিব এৱার্দ কম্মিটি ময়াং ইম্ফালনা ফোঙদোরক্লি। এপ্লিকেসন পীশিনবা মতমদা লৈফম অমসুং গার্জিয়ানগী মমিংগা লোয়ননা কন্টেক্ট নম্বরসু পীশিনবীরকউ লোয়ননা অকুপ্পা মরোলগীদমক কম্মিটি অসিগী থৌপুবশিংগা উনবীয়ু হায়রি।

## এম এল এ দিঙ্গোনা লুহোংগনি ...

*লামায় ১গী মখা...*
মেলোরি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মৈরা পায়বী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, ৱাথোক অসি ইচম-চম্না লোইশিনবা য়াননবা এম এল এগী ময়ূমদা চৎলুবনি। অদুবু পুলিসনা চঙহল্লকখিদে। হৌজিক্তি ৱাফম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা অমসুং ৱায়েলশঙদা ৱাকৎননবা শেম শারে। হয়েং নৎত্রগা হংচিৎ মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎলগনি।

মেলোরিবু দিঙ্গোগী য়ুমদা থিনবা চৎপদা য়াওবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, শিংজমৈদগী দিঙ্গোগী মমান্নবা অমা থারক্তুনা ৱাথোক অসি লোইশিনসি হায়না মমাঙদা হায়রক্লম্বা লৈখি। মেলোরিবু লৈঙাক্কী থবক অমা হাপকে, শেলসু পীগে হায়না মহাক্লা থেল্লম্বা লৈখি।

অদুমকপু মেলোরিনা শীরক্লিবা শাথীরবা মরালশিং অসিগী মতাংদা এম এল এ অসিগী ওইবা পাউ মীয়ামদা থম্বা ঙমদ্রি। এম এল এ অসিগা ৱারী শাননবা পাউচে অসিনা কয়ারক হন্না হোৎনবদসু ফংবা ঙমখিদে।

## জুলাই ৫দা কন্টেম্প প্রোসিদিং ...

*লামায় ১গী মখা...* অমসুং মণিপুর পব্লিক সার্বিস কম্মিসনগী সেক্রেটরিদা সো কোজ নোটিস থাখি। কোর্টকী য়াথং থৌশাখিদবগী মতাংদা কন্টেম্প প্রোসিদিং চথনবগী মতম জুলাই ৫দা লেপ্লে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## এন এস সী এন ...

*লামায় ১গী মখা...* অমা ফঙলে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা খৌপুম পুলিসকী টিম অমসু অশিবা হকচাং অদু লৌখৎনবা চঙশিনখ্রে হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ দা এন এস সী এন- কেগী চেয়রমেন এস এস খপ্লাংনা চহী ১৪ শুরবা সেন্তরগী সিজ ফায়র অদু তোকথোকপা লৈখ্রবনি।

## GAS TODAY

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:17/03/2017
Valid From:10/03/2017
*Stk :306 (DBTL Only)*
Timing: 07:30am - 09:30am

**JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK**
Booking Upto:24/03/2017
Valid From:01/03/2017
*Stk :612 (CTC Only)*
Timing: 07:00am - 09:30am

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto:27/03/2017
Valid From:23/03/2017
*Stk :306 (DBTL Only)*
Timing: 07:00am - 10:00am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:26/02/2017
Valid From:23/02/2017
*Stk :306 (DNSC&CTC)*
Timing: 10:00am - 01:00pm

# নোর্থ ইষ্ট এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা থবক পায়খৎলগনি: জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্টকী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎকদবা নোর্থ ইষ্ট এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এন ঈ এ দি পি) গী পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়না দোনরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদ (নেদফি) না শীন্দুনা হোটেল ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইনভেষ্টর এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র মীটকী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্রনা হায়খি, নোর্থ ইষ্ট এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিনা ষ্টেটশিংগী অখন্নবা লন্বীশিং শেমগৎ শাগৎকদৌরিবনি। প্রোগ্রাম অসিদা হৌখিবা মতমশিংদা হন্না য়েংবীরক্তবা লন্বী কয়াবুসু শেমজিনবগী থবক য়াওগনি। কম্পোজিৎ দিষ্ট্রিক্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইন্দেক্স ২০০৯ গী রিপোর্ট মতুংইন্না অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৮০ গী মনুংদা মণিপুরগী চীংগী মফম ওইরিবা তমেংলোং, চান্দেল অমসুং চূড়াচান্দপুর অসি খ্বায়দগী শোথবা মফম ওইরি। মরম অসিনা খ্বায়দগী শোথৈ হায়রিবা মফম অহুম অসিদা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎকদৌরিবনি।

মহাক্লা হায়খি, হৌজিক লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬৫ দি নহাশিংনি। মরম অসিনা অয়াম্বা স্কীমশিংদা নহাশিংদা ফোকস তৌবা মথৌ তাই। প্রাইম মিনিষ্টরগী ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা নহাশিংনা করিগুম্বা ব্যুজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমা পায়খৎকে হায়রবদি মদুগী ইনিসিয়েল কেপিটেল অদু দোনর মিনিষ্ট্রিদগী পীরি। লমদম অসিগী ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিংনসু মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু মপানগী ইনভেষ্টরশিংদা উৎথোকপা মথৌ তাই। মদুনা মপান লমগী ইনভেষ্টরশিংগী পুক্নিং চিংশিনগদৌরিবনি। লৈঙাকখক্তদা লোয়নমক মীপান তাংবগী মহুত্তা ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিংনসু অহোঙবা অমা পুরক্কবগীদমক থৌদাং লৌহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হায়খি, ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র দিভলপমেন্ট লৈরবা মতমদা লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎলক্কদৌরিবনি। মীরায়রবা ষ্টেট অমগী মওংদা লৈরক্লবা লমদম অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক নেদফিনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। লান্মী কয়ানা লৈবাক অসি ঙাক্লবা কথোকপগুম ইনভেষ্টরশিংনসু নেসন অসি শাগৎনবা হোৎনবদা শেন্দোং খক্কী খন্দনা খরা কথোকপা চঙই। লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হৌজিক্তি নুংশি চান্নবা ফিভম অমা লাক্লে। লৈঙাক অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎপা য়ানবা ফিভম লাকহল্লে। মরম অসিনা লমদম অসিগী ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিংবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কম্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, লমদম অসিগী থবক ফঙদ্রিবা নহা লাখ ১.৫০ রোম থবক পীননবা অখন্নবা প্রোগ্রাম অমা কম্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা হোৎনরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা কম্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট মীসন ওন ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে।

মণিপুরদা ৱিভর লাখ ৩.২৭ রোম লৈরি। মসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বায়দগী মশীং য়াম্মী। অদুম্মকপু ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা থবক তৌরিবা স্পিনিং মিল অমত্তা লৈতে। মরম অসিনা ৱিভরশিংবু হেন্না খুদোংচাবা ফঙহন্নবগীদমক স্পিনিং মিল মথৌ তৌহন্নবা দোনর মিনিষ্ট্রিদগী ফাইনান্সিয়েল সপোর্ট পীহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা দোনর মিনিষ্টরগী পুক্নিং চিংশিনখি। থৌরম অদুদা এন ঈ সীগী সেক্রেটরি রাম মুইভা অমসুং নোর্থইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদকী সী এম দি বি পি মুক্তিয়াসু দেইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## গভর্ণরনা ফাইনান্সিএল লিটরেসি ৱিক হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পরিএল হোলদা ঙসি ফাইনান্সিএল ইনক্লুজন এন্দ দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট, রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ফাইনান্সিএল লিটরেসি ৱিক গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হৌদোকখ্রে।

আর বি আইনা শীন্দুনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা জুন ৫ দগী ৯ ফাওবা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা আর বি আইগী চীফ মেনেজর টি হোজেলনা হায়খি, মীয়ামদা ফাইনান্সিএল লিটরেসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি নো য়োর কষ্টমর, এক্সর্সাইজিং ক্রেদিট দিসিপ্লিন, গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমদি গোয়িং দিজিটেল হায়বা থিম মরিগী মখাদা পাঙথোকপনি। তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ককী ব্রাঞ্চশিং, এ টি এমশিং অমসুং বেঙ্ককী ৱেবসাইটশিংদা পোষ্টরগী খুথাংদা মীয়াম্বু ফাইনান্সিএল লিটরেসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা ফংবদা অপেনবা ফোঙদোকখি। অদুবু মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা নুপীশিংতগী ওইবা কৈথেল (ইমা কৈথেল) লৈরিবা মফম অসিদা শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা নুপী অয়াম্বা থৌরম অসিদা শরুক য়াদবগী মতাংদা মহাক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমগা মান্নদবা মওংদা ষ্টেট অসিগী নুপীশিংনা শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা মশক থোকপা থৌদাং লৌরি। চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি য়াওবা লাকপা মপানগী মীওইশিংনা কৈথেলদা চৎলবদি ষ্টেট অসিগী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি।

নুপীশিংবু পোষ্ট ওফিসতা অপীকপা সেভিংস একাউন্ট হাংদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, থৌরম অসিদা শরুক য়ারিবা বেঙ্ককী মীওইশিংনা নুপীশিংবু শেল তুংশিনবগী হৈনবী লৈহন্নবগী মতাংদা সেভিংস একাউন্ট হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীগদবনি। রুরেল অমদি অর্বান এরিয়াশিংদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী থাদরক্লিবা শেনফমগী মতাংদা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্নবগীদমক কেপাসিটি বিল্ডিংগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎফম থোকই।

মতমগী অনৌবা টেক্নোলোজিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী মতাংদা চেকশিন ৱা পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, মীয়ামদা নমথাক তৌবগী থৌওং পাক শন্না চথুরকপগী মতাংদা রুরেল অমসুং অর্বান এরিয়াগী মীওইশিংনা মুন্না খঙবা মথৌ তাই।

বেঙ্কশিংনা মাইক্রো, স্মোল অমদি মেদিয়ম এন্টর্প্রাইজশিংদা শেল থাদদুনা মীয়ামবু থবক তৌজনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি। এগ্রো বেজ এন্টর্প্রাইজ অমদি টুরিজমনচিংবা হীরমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবসু মথৌ তাই।

মণিপুরদা ট্রেদিসনেল প্লান্ট অমদি ফ্লোরিকলচরগী বাইও রিছোর্স মরাং কায়না লৈ হায়না পল্লদুনা গভর্ণরনা হায়খি, বেঙ্কশিংনা অখণ্ড-অহৈশিংগা খুৎশম্নরগা মীয়ামদা লোন পীথবগা লোয়ননা মতম চানা লোন শীংহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

মণিপুরদা মীওই কয়া লাকহন্নবগী মতাংদা টুরিজম সেক্টরদা শেলগী মতেং পাংবা মথৌ তাই হায়নসু গভর্ণরনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ফাইনান্সিএল এদ্যুকেসনগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা মহয় চাগদবা মওংদা শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং তৌহন্নবা হোৎনবদা আর বি আইনা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নীংই হায়নসু গভর্ণরনা ফোঙদোকখি।

ফাইনান্সিএল লিটরেসি ৱিক হৌদোকপগী শরুক অমা ওইনা ফাইনান্সিএল এৱ্যোরনেস মেসেজেজ (এফ এ এম ঈ) গী মরমদা বুকলেট অমা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা রিলিজ তৌখি। নাবার্দ, আর বি আই অমদি তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ফাইনান্সিএল লিটরেসিগা মরী লৈনবা ভিদিও অমা কাপখি।

## মফম কয়াদা ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লূপ কয়ানা শীন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশ অমসুং বি জে ৱাই এম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা খুৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম পি, কে এস ঐচ ভবানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা নোংম-নোংমগী অঙৌং-অশা হোংলক্লি। উমং কোকশিল্লকপা, উ-ৱা য়ান্থৎপা কয়া অসিনা নোং খজিক্তং চুরকপদা চীং কিন্থরকপা, লৈবাক নীংখায়রকপনচিংবা তৌদুনা অমাঙ-অতা থোক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা নোংমদি মালেম অসি মুৎখিবা য়াবা অকিবা মওংদা লাক্লি। গো গ্রীন মণিপুর হায়বা থিমদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে পাঙথোকপসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট দেবেন, খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা জাদুমনি, থৌবাল এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা বসন্ত, বি জে ৱাই এম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোমোরজিৎসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী লোকচাওদা টেরিটোরিএল আর্মি ১৬৫ কম্পেনি অমদি খুঞ্জাশিংনা খুৎশম্নদুনা লোকচাও খুলগী অকোয়বদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে।

মরকসিদা, এন আই ঈ এল আইটিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌহনবা টি, ইম্ফাল অমদি অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্ঠি পরিষদ (এ বি ভি পি)না খুৎশম্মনা শীন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন, এল মহেন্দ্রনা উ থাবগী প্রোগ্রামসু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা এন আই ঈ এল আই টিগী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর টি ঐচ প্রমেশ্বরসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী শরুক অমা ওইনা ককচীং খুনৌ য়ুঠ ফোরমনা শীন্দুনা সেভ অৱর ইনভাইরোনমেন্ট ফোর দ কন্টিন্যুটি লিভিং রেস হায়বা ফোরমগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ককচীং খুনৌ লমখায়দগী হৌদুনা লম-তু শেংবগী কেম্পেন অমা ককচীং খুনৌ য়ুঠ ফোরমনা হৌদোকখ্রে। মখা তানা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়ানা ককচীং খুনৌ য়ুঠ ফোরমদা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোরম অসিগী জেনরেলস সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, লোয়োলা স্কুল বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট রাজকুমার বিরজিৎনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসর এস রঘুমনিসু শরুক য়াখি হায়না স্কুল অদুগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মরকসিদা, ৮৬ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফ লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। লম্ফেলপাৎতা উ চারা কয়াসু থাখ্রে হায়না ৮৬শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মহৌশা লাইরেম্বীনা ঐখোয় মথৌ তাদে ...

*লামায় ১গী মখা...* মফম ওইরকপসু য়াই। মরম অদুনা লোক্তাক কন্ননবগীদমক ঐখোয়না থবক পায়খৎকদবনি।

মহাক্লা হায়খি, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং অতৈ ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা মফম পুন্নমক তরু-তনান্না থম্নবা থবক পায়খৎপা হায়বসি নুমিৎ ১০০ নিংগী মনুংদা তৌগদবা থবকশিংদা য়াওরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কুমজা ২০০৪ দা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী ষ্টেট মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পোল্যুসন মায়োক্লবগা লোয়ননা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা থৌরাং লৌখৎখি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরবা মতুংদসু থৌরাং অসি মখা চথুনবা হোৎনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, 'গ্রীন ইম্ফাল' হায়বা থৌরাং অমগী মখাদা ইম্ফাল সীটিগী মফম কয়াদা উ পাম্বী কয়া থাখিবগা লোয়ননা নম্বুল তুরেল শেংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি।

ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম শোকচিল্লকপা অমসুং পোলিথিন খাউনা মীওইবগী হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মফম পুন্নমক্তা পোলিথিন খাউ শীজিন্নবা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখি।

উমং কোকথোকপনা চীংগী মফম কয়াদা তোয়না লেন্দস্লাইদ থোকপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্না উ য়ান্থৎপগী মহুৎতা উ পাম্বী হেন্না থাবা মথৌ তাই। তুরেলদা অমোৎ-অকায় লংথবীদনবসু মহাক্লা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা মাহুদ অমদি ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মহৌশা ইমানা পীরকপা খুদম চাংদম পুন্নমক মীয়াম্না খঙবা মথৌ তাই। নেচরগী লো থুগায়দুনা মহৌশা ইমাগী মায়োক্তা লৈবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলবদি মীয়াম্না মদুগী পামদবা মহয় শোয়দনা ফংগনি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখো, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (মাহুদ) এন ইন্দ্রজিৎ, মানিদকো অমদি মানিট্রোনগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ইনভাইরোনমেন্ট) শম্ভু সিংহ অমদি এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (মাহুদ) ডা. জে সুরেশ বাবুসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা উ পাম্বী ১০০০ থারুগদবা ভোলুন্টিয়রশিংগী টিম অমা চীফ মিনিষ্টরনা লমথাখি। মহৌশাগী ফীভম ঙাক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়বগী মতাংদা ৱাশক অমসু লৌমিন্নখি। তুংদা শক্লাইরবা মীওইশিংনা ব্লুমিং মণিপুরগী মতাংদা ফিল্ম অমা রিলিজ তৌখি। মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ শক্লাইরবা মীওইশিংনা ইমা কৈথেলদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈ পাম্বী কয়া থাখি।

## লৈঙাক্কী স্কীমশিং লায়রবশিংদা য়ৌহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* হৌনা ফঙহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

সেন্তরদসু বি জে পি য়াওবা লৈঙাক লৈরে। মণিপুরদসু বি জে পি য়াওবা লৈঙাক অমা লৈরে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হেক লৈঙাক পায়রকপগা ইকুই কুইদনা মণিপুরদা মতম শাংনা চথুরম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ লোয়শিনখি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তসু খুমাং চাওশিন্না চঙশিল্লক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়বদু থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎলি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা সেন্তরদা লৈঙাক পায়রকপা চহী অহুম ফারকপা অসিদা চাউখৎ থৌরাংদা অহোঙবা কয়া লাক্লি। মণিপুরদসু থা খরখক ঙায়রিবা বি জে পি য়াওবা লৈঙাক অসিনা অহোঙবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। চাউখৎ থৌরাংগী লমদসু চঙশিল্লক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লায়রবা মীয়ামগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎলক্লিবা স্কীমশিংগী কান্নবা মীয়ামদা চপ চানা ফঙহন্নবা হোৎনমিন্নসি। জেনিমস অমদি রিমস য়াওনা লৈঙাক্কী অনা লায়েংশঙশিংদা টেষ্ট মখল ৫৭ লেন্না ফঙহন্নবগী থৌরাংসু পায়খৎলে। মসিগী খুদোংচাবা অসি জুলাই ১ দগী ফঙবা হৌরগনি।

লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরবা এল পি জি গ্যাস থোংদ্রিবা য়ুমথোংশিংদা এল পি জি গ্যাস থোংহন্নবগীদমক প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্বালা য়োজনা হৌদোক্লে। চীংগী লম কয়াদসু মসিগী স্কীম অসিগী কান্নবা ফঙলগনি। চাক থোংনবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগীদমক চীংদগী উ-ৱা য়ান্থৎতুনা শীং ওইনরিবা কয়া অদু এল পি জি গ্যাস থোংলক্লবদি হন্থরগনি।

চীংগী লমদশিংদা এল পি জি কন্নেক্সন পাক শন্না পীরকপা মতমদা শীংগীদমক উ য়ানবা লেপ্পল্লকগনি। মসিনা উমং য়োকখৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। উ য়ানবা অমদি উ মরা ফাওবা ফুক্তুনা শীং ওইনবগী ফিভম লাকপদগী লেন্দস্লাইদনচিংবা কয়া হৌখিবা চহী খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা থেংনরি। মসি উমং কোকথোকপনা থোকহল্লকপা চাউরবা মরম অমনি।

এজেন্টশিংনসু কঞ্জুমরশিংদা গ্যাস কন্নেক্সন নীংথিনা পীবীয়ু। মসিগী স্কীম অসিগী মখাদা ফঙফম থোকপা মীওইশিংদা কন্নেক্সন ফঙহন্নবা হোৎনগনি। দি সীশিং অমদি এম এল এশিংগী খুথাংদা ফোর্ম য়েন্থোরক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর কারাম শ্যামনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্বালা য়োজনা অসি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা অসামদা লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরনা অনীশুবনি। মণিপুরগী ওইনা মীওই লাখ ১.৫০ দগী লাখ১.৭০ ফাওবগী মনুংদা মসিগী বেনিফিট ফঙবা য়াগনি হায়না থাজবা থল্লি। শীংনা থোংবনা অৱাবা থোক্লিবা কয়া অসি খল্লগা লৈঙাক্লা স্কীম অসি পায়খৎলকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি স্কীম অসি হৌদোকপা নুমিৎতা কঞ্জুমর ২০ রোমদা মরী লৈনবা এল পি জি কন্নেক্সনগী কার্দ য়েন্থোকখি।

## হান্নগী টেক্সতগী লুপা ক্রোর ...

*লামায় ১গী মখা...* মফম অমনি। ষ্টেট অসিগী পোথোক মপানদা পুথোকখিবগী চাংদি য়াম্না নেম্মী। অয়াম্বা পোৎলমশিং মপানদগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নরিবা কঞ্জুমর ষ্টেট অসিদা জি এস টি চৎনরকপদা চৈথেং কয়া অমা ফঙগনি। হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খন্ন নৈনহৌবা চুমগনি।

জি এস টি চৎনরকপদা লৈঙাক্কী ওইনদি টেক্স হেনগৎখিবা য়াই অদুবু মীয়ামদদি অৱাবা মায়োক্লগনি। জি এস টি অসি নৌনা ইন্দষ্ট্রিজ তৌনিংবা মীওইশিংদদি কান্নবা য়াম্না লৈহল্লি। ইন্দষ্ট্রি লিংখৎনবা হোৎনরকপগী পেপর ৱার্কসু কয়া লৈহন্দে। ইন্দষ্ট্রিজগী লমদা চাউখৎলবা মফমশিংগী ওইনদি জি এস টি চৎনরকপদা কান্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ ওক্রম সুর্যকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা নোংমদা তঙায়ফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঙারি হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঙারিগী টেক্স হেনগৎহন্দনবা জি এস টি কাউন্সিলগী মীটিংদা পুথোকপা তঙায়ফদে। ঙারিগী টেক্স অসি য়ারিবমখৈ তানা লৌনবা তকশিনবা চঙই। ষ্টেট অসিগী মীশিংগী অয়াম্বা শরুক্তি ঙারি চাবা ঙাক্তনি।

ষ্টেট অসিদা জি এস টি চৎনরকপা মতমদা টেক্স নীংথিনা লৌরক্লগনি। মণিপুরদি হান্ননা হায়ৱে কয়াদা ইল্লিগেল টেক্সশিংসু লৌদুনা লৈবগী ফিভম মায়োক্লরিবনি। জি এস টিসু চৎনরকপা অমসুং হায়ৱেশিংদা ইল্লিগেল টেক্সশিংসু লৌরকপা মতমদা লল্লোল ঈতিক তৌরিবা দিল্লর নৎত্রগা রিটেল্লরশিংদি মাঙবা য়াদবনিনা পোৎকী মমলদা মাঙদনবা মওংদা য়োল্লক্কনি। মসিদা অৱাবা থেংনগদৌরিবসি মীয়ামনি। মণিপুরদা লৈরিবা ট্রেভেল এজেন্সিশিং জি এস টিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌহনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খন্ন নৈনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়খি, জি এস টি লাক্লবা মতমদা মণিপুরদা হান্না ফঙলম্বা টেক্সকী চাংদগী কয়া য়াম্না হেনগৎলক্কনি হায়বসি খঙমিন্নবা চুম্মী। করম্বা সেক্তরদা টেক্সকী চাং হেনগৎলকপগী থাজবা লৈরিবগে। ম্যানমারগা ইন্দিয়াগা তৌনরিবা বোর্দর ট্রেদতা য়াওরিবা ট্রেদ আইটেমশিংদা য়াওদবা পোৎলম কয়া মণিপুর ফাওরগা মপান লমদা পুথোকখ্রিবনি। আইটেমশিং অসি বোর্দর ট্রেদকী আইটেম মনুংদা চলহল্লগা মণিপুরগী ওইনা কান্ননবা করি হোৎনবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবা চুম্মী। ট্রেদ আইটেমদা য়াওদবা পোৎলম কয়া লল্লোল ঈতিক তৌরিবশিংনা পুথোক্তুনা মণিপুর ফাওরগা মপান লৈবাক্তা য়োনবা য়াওরি। ঙারিগী টেক্স অসি য়াম্না নেম্বা চাংদা লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই। মণিপুরদি অয়াম্বনা ঙারি চাবা লমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ জয়কিষন্না ফোঙদোকখিবদা, জি এস টি চৎনরকপা মতমদা লৈঙাক্কী ইকনমিদদি কান্নহল্লগনি অদুবু মীয়ামগীদি অৱাবা ওইরগনি। জি এস টি কাউন্সিল শেম্বদা ওপোজিসনগী মীহুৎসু য়াওহনবা মথৌ তাই। বিল অসি সেলেক্ট কম্মিটিদা থাদদুনা মখা তানা য়েংশিনহনসি। জি এস টি লাকপা মতমদা ইন্দিয়া পুম্বদা চপ মান্নবা টেক্স লৌরগনি হায়রবনিনা এম আর পিসু ষ্টেট পুন্নমক্তা চপ মান্ননা চৎনগদ্রা হায়বসিগী মতাংদা শেংদোকফম থোকই। হেন্দলুম সেক্তরদসু লংগী টেক্স হেনগৎলকপা মতমদা ফিশাবিশিংদা চাউনা চৈথেং ফঙলগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জি এস টি বিলগী খন্নরকপা অদুদা এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, পি শরত অমদি এ কে মিরাবাইসু ৱা ঙাংখি।

## রিপোর্টশিং পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :
১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী অহানবা মীফমগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী সেসনগী ঙসি লোয়শিনবা নুমিত্তা হাউসতা তোঙান তোঙানবা রিপোর্ট কয়া থমখ্রে।

ঙসি হাউসতা ফাইনান্স মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ওদিট রিপোর্ট ওফ কোম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া ওন একাউন্ট ওফ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ফোর দ ইয়ার এন্দিং ৩১ মার্চ ২০১২ অমদি ওদিট রিপোর্ট ওফ দ কোম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া ওন দ একাউন্টস ওফ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ফোর দ ইয়ার এন্দিং ৩১ মার্চ ২০১৩ পুথোকখি।

লো মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা হাউসতা এন্ন্যুয়েল রিপোর্ট ওফ নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন, ইন্দিয়া ফোর দ ইয়ার ২০১৩-১৪ অমদি মেমোরেন্দম ওফ এক্সন টেক্কন ওন দ রিক্কমেন্দেসন ওন দ কন্টেন্ট ইন দ ২১ এন্ন্যুয়েল রিপোর্ট ওফ দ নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন ফোর দ ইয়ার ২০১৩-১৪ পুথোকখি।

পাৱর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হাউসতা পুথোকখিবশিংদি জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলিটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (ফিজ, ফাইন এন্দ চার্জ) (ফর্ষ্ট এমেন্দমেন্ট রেগ্যুলেসন, ২০১৬), দ ড্রাফট জোইন ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (ফোরকাষ্টিং, সেদ্যুল্লিং, দেভিয়েসন সেট্টলমেন্ট এন্দ রিলেটেদ মেট্টর্স ওফ সোলর এন্দ ৱিন্দ জেনেরেসন সোর্সেস) রেগ্যুলেসন্স, ২০১৬, দ জোইন ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (মীতিং ফোর গ্রিদ কন্নেক্তেদ রিনিয়্যুএবল ইনর্জি), রেগ্যুলেসন্স, ২০১৬, দ ড্রাফট জোইন ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই কোদ) (থর্দ এমেন্দমেন্ট) রেগ্যুলেসন্স, ২০১৬, দ জোইন ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই কোদ) (ফোরর্দ এমেন্দমেন্ট) রেগ্যুলেসন্স, ২০১৬, দ জোইন ইলেক্ট্রিসিটি রেগ্যুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম (ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই কোদ) (ফিফ এমেন্দমেন্ট) রেগ্যুলেসন্স, ২০১৬ এন্দ কোরিজেন্দম দেটেদ ২০-৯-২০১৬ নি।

## লৌউ-শিংউবদা চাউখৎপা য়াবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা রিছোর্স মোবিলাইজেসন হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তাই। ষ্টেটকী টেক্স রিছোর্স অসি হেনগৎহন্নবগীদমক শেঞ্জা-থুমজাগী থবকশিং মুথৎপা তাই। লৈঙাক অসিনা রেভিন্যু হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইকৌ ব্রিজ ঈচাওনা চেন্থখিবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* হায়খিবদা, ইরিল তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং অসি চহী ২৫ রোমগী মমাঙদা শাখিবনি। চহী খরগী মমাঙদা রিপ্যেরিং তৌখিবা নৎতনা ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লোকেল এম এল এনা হন্না য়েংবীদনা ফীভম শোকখিবনি।

মীয়াম্না তঙাইফদনা চৎত-য়াদবনা ফীভম শোক্লবসু শোক্লা চৎনরিবনি। লাইবক থীবদি থা অসিগী ১ দা ঈচাওনা চেন্থবদগী তৎখি। চৈরকসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীরগা উগী হি অমা তেংবাং পীরকপসি নুংঙাই।

ইকৌ অমদি সাদু য়েনখুমন খুল য়াওনা খুল ১০ রোমগী ওইনা সস্পেন্সন থোং অসিনা মরুওইবা লাইফ লাইন ওইরিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা থোং অসি অথুবা মতমদা মতম খরগী ওইনা শীজিন্ননবা শেমজিনবীয়ু। অনৌবা আর সী সী ব্রিজ অমসু শাবীয়ু।

অমরোমদা, থোং অসিনা য়ারক্তবা মতমদা মীয়াম্না চৎপা য়ানবা ফীভম চাদ্রবা পুখাও দোলাইথাবী লম্বী অসিসু অথুবদা শেম্বীয়ু হায়খি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ৬-০৬-২০১৭, লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১২ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ১২.০৮ দগী ১৩ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি শন্থোং, অয়ুক্কী পুং ১২.০৮ দগী মখা।

**মেষ** ঃ থবক অমা তৌবদা অনীরক হনবা লৈ, পৈশা চৎপা লৈগনি, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক্তা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তুং-মাঙ য়েক্লবা য়ামগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**বৃষ** ঃ ৱাখল লাংবা, অনিংবা থবক্তা ঙমজবা লৈ। মুক্লবা লাক্কনি, লমদা চৎপা কান্নগনি।
লাল্লোল ঃ অরঙবা পোৎথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংতক্লবা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা, অপোম অতং।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙৌবা।

**মিথুন** ঃ মুক্লবা, মীনা তাইওন্ননা খনবা, মখা থাবা মীগা শাওনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ মৈগী অকিবা লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

**কর্কট** ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি, শেল চৎপা হেনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীনা শকখঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা চন্দন।

**সিংহ** ঃ মুক্লবা, মীগা শাওনবা, অকালবা পীবা মতাংনি। পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবনা অমা তৌথোরকপনা অমা খেৎনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**কন্যা** ঃ ইমুং মনুংদা নুংঙাইজবা পাও লাকপা, অশাওবনা অমাঙবা পীবা লৈ। খরা চেকশিনবীয়ু, নুংনাংবা পীবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি, খোইশাওনবা লৈ।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**তুলা** ঃ নুংনাংবা, কান্নবা ৱাৎপা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎপা, অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চীনি অঙাঙবা, লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক** ঃ তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ খমৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা।
হকচাং ঃ শরু, শিংলিদা নুংঙাইতবা পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অমুবা, থোইদিং অমুবা।

**ধনু** ঃ শাওনিবা, করি তৌসিগে খনবা, পুক্নিং লাংবা, শেল চৎপা, ইমুংগী মৈশা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হিদাক্কী থবক চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং চেৎশন্নবা লৈ।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

**মকর** ঃ মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোঙবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংবা, ইকায়বা নঙগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**কুম্ভ** ঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, অকী অখঙ লৈবা, অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ লৈ।
লাল্লোল ঃ সনা, লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা মৈশা, অয়েৎপা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ নাপু, ঘী।

**মিন** ঃ চাউখৎপা ওইগনি, তৌজরুবা থবক্তা মীনা খঙবীবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অরু অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থীক নেম্বনা থা লম্বা থোক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।